**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- লৈমাখোং আর্মি কেম্পতা থবক শুবা চংখিবা মীওই অমা থিবা খঙদনা লৈরিবা অদুগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রালয় অমসুং কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা খঙহনখ্রে।

২) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্ব পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৮ অমসুং ১৭ তা পাঙথোক্লগনি।

৩) কেন্দ্র সরকার, মণিপুর সরকার অমসুং য়ু.এন.সিগী নাকল অহুমগী ওইবা ৱারি ঙসি সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে, মথংগী মীফম জনুৱারিদা পাঙথোক্কনি।

৪) টুরিজমগী লম হেন্না চাওখৎহন্নবা লৈবাক অসিগী ওইনা প্রোজেক্ট ৪০ খনগৎপদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াওরে।

অমসুং

৫) সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতসু চরাংনবা থোক্কুনা য়ৈথোকখ্রে, মীফম মথং থাগী অনিদা অমুক ফমগনি।

------

সিএম (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- লৈমাখোং আর্মি কেম্পতা থবক শুবা চংখিবা লোইতাং খুনৌদগী মীওই অমা থিবা খঙদনা লৈরিবা অদু ফংননবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

মিদিয়াগী খুথাংদা মীয়ামদা তৌবা আপীল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মাংখিবা মীওই অসি ফংনবা হোৎনবদা জি.ও.সি ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজন্না মরুওইবা থৌদাং লৌগদবনি। মরম অদুনা মাংখিবা মীওই অসিগী লংলা লংজিল মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা লান্মীনা দাইত্বা লৌগদবনি। শ্রী বিরেন্না হায়- হিরম অসিগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রালয় অমসুং কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা খঙহনখিবা লৈরে। মহাকা হায়- থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরে। মখোয়নসু প্রধান মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অসিবু রাজ্য সরকারনা লুমা লৌবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা মাংখিবা মীওই অসি ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। মাংখিবা মীওই অসি ফংনবা হোৎনবদা সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎলি হায়রদুনা মীয়ামা শান্তি ওইনা লৈবীনবা আপীল তৌরক্লি।

কোকোমি (এল)ঃ  কোকোমিনা হায়রি- মণিপুরগী ফিভম হৌজিক নোংম নোংমগী লুশিল্লক্লি। ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কো-ওর্দিনেটর থোকচোম সোমোরেন্দ্রোনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরা লৈননা চংশিল্লিবা খোঙজংশিংদা লিংজেল মান্নদবা, তোখায় তোখায় তান্নবগী ফিভম লাক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। মসি মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবা চংই। মসিনা মরম ওইদুনা মখা তাবা খোঙজংশিং চংশিন্নবা হোৎনবদা নিংহন্নবা পোকহল্লে। মহাকা হায়- লৈমাখোং আর্মি কেম্পতা থবক শুবা মীওই অমা মাংখিবা হায়বসি অঙকপা পোকই।

শ্রী সোমোরেন্দ্রোনা হায়- মথং থাগী ১ দগী য়ুনিতি ওফ ইন্তিগ্রেসন কৌবা এৱারনেস কেম্পেন অমা কোকোমিনা শিন্দুনা পাঙথোক্লগনি। এৱারনেস কেম্পেন অসি চথরিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা লুপ নত্রগা সংস্থানশিংনা ৱাকৎ মাফম, রেল্লিনচিংবা পাঙথোকপীদনবা আপীল তৌরক্লি।

সেনা (এল)ঃ মণিপুরগী থৌদোক ৱাথোক্তা মীজোরমনা খুৎ থিংজিল্লকপা হায়বসি লাইবক থিবনি হায়না শিবা সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি।

ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রিনা মণিপুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মণিপুরগী সি.এম. লৌথোকপা লৌথোক্তবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামা লৌগদবা ৱারেপনি। মখোয়না মুখ্য মন্ত্রি শিন্দোকবা হায়রিবা অসি হায়ফম থোক্তবনি। শ্রী তোম্বীনা হায়- মণিপুরগী মফম কয়াদা থল্লিবা বফর জোনশিং খুদক্তা লৌথোক্কদবনি। হন্দক্তা জিরিবামদগী মীওই ৬ ফাখিবা অদু কেন্দ্র সরকারনা খুদক্তা খুৎ থিংজিল্লল্লবদি মখোয়বু কলহৌবা য়াবনি। অদুমওইনমক, কেন্দ্র সরকারনা মখোয়বু কন্নবা থবক অমত্তা লৌখৎতবগী মমি তাখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৮ অমসুং ১৭ তগী হৌরগনি। কাউন্সিলগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ক্লাস এলেভেনগী পরিক্ষা ফেব্রুৱারি ১৮ দগী হৌরগা মার্চ ২৫ ফাওবা চত্থগনি। ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষানা ফেব্রুৱারি ১৭ তগী হৌরগা মার্চকী ২৬ ফাওবা চত্থগনি।

ইলেক্সন (এল)ঃ মথং চহিগী জন্‌ৱারিদা ফোংগদবা ফোটো ইলেক্তোরেল রোলদা অশোইবা শেমদোকবা অমদি নৌনা মীং হাপচিন্নবগী মতম মথং থাগী ৫ ফাওবা শাংদোক্লে। মরী লৈনবশিংনা হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী মমিংশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না চিফ ইলেক্তোরেল ওফিস মণিপুর থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী কদমতালাদা লৈবা জিরি কলেজদা ইলেক্তোরেল সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। চীফ

ইলেক্তোরেল ওফিসার মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা মণিপুর ইনোভেসন সোসাহতিগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেতর ৱাহেংবম প্রেমাচন্দনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি স্পেসিয়েল সম্মরি রিভিজন ২০২৫ গা মরী লৈননা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা মীখলদা শরুক য়ানবা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- ভোতর লিষ্টতা চনবা য়ারবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়না লৈরিবা মফম অদুগী বি.এল.ওশিংদগী ফোর্ম লৌদুনা ভোতর লিষ্টতা চন্নবা হোৎনগদবনি।

টোঙ্ক ঃ কেন্দ্র সরকার, মণিপুর সরকার অমসুং য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি)গী নাকল অহুমগী ওইবা ৱারি ঙসি সেনাপতি জিলাগী দি.সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱারি শান্নবা অদুদা ভারত সরকারগী মাইকৈদগী গৃহ মন্ত্রালয়গী নোর্থ ইষ্টকী এদভাইজর এ.কে.মিশ্রা, মণিপুর সরকারগী কম্মিস্নর হোম এণ.অশোক কুমার অমসুং য়ু.এন.সিগী প্রসিদেন্ট এন.জি.লোরহোনা লুচিংবা মীওই ১০ না শরুক য়াখি। মীফম অদুদা অনৌবা জিলা ৭ শেমখিবা অমদি য়ু.এন.সিনা মসিবু হন্দোকবা দাবী তৌরিবা অদুগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মণিপুর সরকারগী মীহুৎনা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা চপ চাবা প্রস্তাব পীবগী খুদোংচাদবা লৈ হায়না ফোংদোকখি। অদুমওইনমক, মণিপুর সরকারনা চপ চাবা প্রস্তাব পীখৎলক্তবা অদুদা য়ু.এন.সিনা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মথৎগী মীফমদা মদু পুখৎলকবা হায়খি। মীফম অদুনা মমাংদা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদু য়েংলগা অককবা মতম অমদা লোইশিন্নবা য়ান্নখি। মথংগী মীফম সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা ইং ২০২৫ গী জনুৱারিগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোকপা হায়না য়ান্নখি।

তুরিজম (এল)ঃ ভারত্তা টুরিজমগী লম হেন্না ফগৎহন্নবা সরকারনা হোৎনরিবা অদুগীদমক রাজ্যগী পাৱর মন্ত্রি থোঙাম বিস্বাজিৎ সিংহনা প্রধান মন্ত্রি অমসুং টুরিজম মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা

স্পিসিএল এসিস্তেন্ট ফোর কেপিতেল ইনভেষ্টমেন্টকী মখাদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াওনা রাজ্য ২৩ দা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট ৪০ অয়াবা পীরকপা অসিনা টুরিজমগী লমদা চাওনা খূদোংচাবা পীরগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়- জ্ৱেল ওফ মণিপুর হায়রগা খঙনবা লোক্তাক পাৎ অসি মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা অতাউবা নেসনেল পার্ক কৈবুল লমজাউ লৈবা মফম অমনি। সরকারগী থৌরাং অসিনা লোক্তাক পাৎপু মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবদা নত্তনা তুরিজম অমদি মসিগী অকোইবগী খল ঙাকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মন্ত্রিনা হায়- অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অসিনা মালেমগী মীয়ামা ভারতকী হেরিতেজ অমসুং মহৌশাগী ওইবা পুকিং হুরবশিং য়েংবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। লোক্তাক লেক এক্সপরিয়েন্সকী মখাদা প্রোজেক্ট অসিগীদমক লুপা কোতি ৮৯ লাখ ৪৮ কাইথোক্লে।

আইদিপি (এল)ঃ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি)শিং সি.এম.ঐচ.টি কার্দকী খুদোংচাবা পীরগনি হায়না সরকারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়- আই.দি.পিশিংনা আধার কার্দ অমদি দি.সিনা পীবা আই.দি.পিগী সার্তিফিকেট শিজিন্নদুনা কার্দ শেম্বা য়াগনি।

নম্বোল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল কেন্দ্রগী মনুং চনবা উৎলৌ শাজোরদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা আই.দি.পিশিংদা নিংথম থাদা শিজিন্নগদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার অমসুং দিপ্যুতি কম্মিসনারগী মীৎয়েং মখাদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নবনি।

ককচিং (এল)ঃ জিরিবামদা মীচম ১০ তমথিনা হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ককচিংগী মীয়ামা চংশিনখিবা খোঙজংদা ককচিং পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওই ১১ শর্ত্ব অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না মতম কক্তবা ৱাকৎ মীফম

ঙসিদগী হৌখ্রে। জিলা অসিগী সি.এস.ওশিংনা শিন্দুনা ককচিং কৈথেলদা লৈবা ইবুধৌ নাওহল-লাই লাইবুংদা ৱাকৎ মীফম অদু চখ্রবনি।

মীফম (এল)ঃ নম্বোল থোংখা কোংখাম অৱাং লৈকাইদা দুকান ফম্বা নম্বোল মখা লৈকাইদগী মীওই অমা ঙরাং নুংথিল মশক খঙদবা মীওই খরনা ফাদুনা পুনবা হোৎনরম্বা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি নম্বোল কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু নম্বোল বজার সোপ কিপ্পর ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, নম্বোল বজার ৱিমেন বেন্দর এসোসিয়েসন অমদি য়ুনাইতেদ প্রোটেক্সন কমিতি নম্বোলনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৮ দগী মচিন মনাউ অনি ঙরাং ময়ুমদগী পুথোকখ্রগা য়ামা তমথিনা ফুরম্বগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নিংথৌখোং অপুনবা মৈরা পায়বীনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মখোয়বু কনানা করিগীদমক ফুরম্বনো হায়বদু শেংদোরক্কদবনি হায়রি।

হেলথ (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড হোস্পাইস পেলিয়াতিভ কেয়র ডেগী থৌরম চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী সি.এম.ও- ডাঃ এল. ইন্দিরা দেবীনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পেলিয়াতিভ পেসেন্ট মঙাখক লৈ। হায়রিবা পেসেন্টশিং অসি মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংশিংনা নিংথিনা পেলিয়াতিভ কেয়ার লৌরিবশিংনি।

অথৱালে (এল)ঃ ন আর.পি.আই(অথৱালে)গী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরিবা মহেস্বর থৌনাওজমনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়রস মন্ত্রি কিরেন রিজিজগা উন্নখ্রে। উনবা অদুদা, কেন্দ্রগী সোসিএল জস্তিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্ট মন্ত্রি রামদাস অথৱালেসু য়াওখি। মদুদা, লূচিংবশিং অসিনা

মণিপুরগী ইরাং অথুবা মতমদা শান্তি ওইবা মওংদা ৱারোইশিন পুরকবগী মতাংদা খন্নখি।

স্কিম (এল)ঃ চীফ মিনিষ্টর মেন্সক্রুয়েল হাইজিন স্কিমগী মখাদা রাষ্ট্রিয়া কিশো স্বস্তিয়া কারিয়াক্রম এদোলেসন হেলথনা চান্দেলনা শিন্দুনা লিৱা খুল্লেনদা লৈবা জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালায়াদা ঙসি মেন্সক্রুয়েল হাইজিনগী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার আর.কে.এস.কে- ডাঃ টি.ঐচ. নোরেন, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল্লর মুতুম ওকেন সিংহনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

তুরিজম (এল)ঃ মণিপুর য়ুনাইতেদ বাই দাইভর্সিতি হায়বা হিরমদা চাদোং নিউ তুরিজম দেষ্টিনেসনদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মণিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল এক্সপো কম তুরিজম প্রমোসন ফেষ্টিভেল মথং থাদা ওইনা পাঙথোল্লুগনি। ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফেষ্টিভেলগী ওর্গনাইজিং কমিতিগী চেয়ারমেন অসাং কসারদা হায়- নুমিৎ খরনিগী মমাংদা চুখিবা নোংনা মরম ওইদুনা কুম্মৈ পাংথোকফমদা শেমগৎ শাগৎপগী অৱাৎ অপা লৈবা অমদি খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী ফেষ্টিভেল অসি য়ৈথোকপনি।

কার্দ (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা (পি.এম.জে.এ.ৱাই)গী হেলথ কার্দ শানবগী থৌরম অমা নম্বোল বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা পুখ্রম্বম অমসুং থৌনাউজমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পি.এম.জে.এ.ৱাই কার্দ ২৫০ রোমসু বেনিফিসরিশিংদা খুৎশিন্নখি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতসু চরাংনবা থোক্কুনা য়ৈথোকখ্রে। মমিং লৈরবা কম্পনি গ্রুপ অমগী শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক য়াওনা অতৈ হিরমশিংদা বিরোধিনা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম য়ৈথোকখিবনি।

লোক সভাদা অহানবগী ওইনা য়েথোক্লুরবা মতুং নুমিৎয়ুংবদা অমুক হন্না ফম্বদা বিরোধি দলশিংনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি। বিরোধি দলশিংনা এদজোর্নমেন্ট নোটিশ পুখৎলকপা অদু প্রিসাইতিং ওফিসারনা লৌখিদে। চরাংনবা মরক্তা সভাগী মীফম নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

রাজ্য সভাদসু ঙসি মীফম হেক হৌবগা চেয়ারমেন জগদিপ ধনখরনা বিরোধি দলশিংনা পুখৎলকখিবা এদজোর্নমেন্ট নোতিশ অদু য়াখিদে। মদুদা বিরোধি দলশিংনা খোল্লাউ কয়ামরুম লাউখি।

চেয়ারমেন্না বিরোধিগী থৌওং অদুবু মীয়ামগী ওইনা খন্দে হায়খি। চরাংনবা মরক্তা চেয়ারমেন্না সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি। সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম মথং থাগী অনিদা অমুক হন্না ফমগনি।

সাহ ঃনুমিৎ হুমি চত্থগদবা ওল ইন্দিয়া দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফম গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হৌদোকখ্রে।

উরিষাগী কোনুং ভুবনেস্বরদা লৈবা লোক সেবা ভবনগী কনভেন্সন হোলদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি, রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী দি.জি.পিশিং, সি.আর.পি.এফ, এন.এস.জি, ইন্তেলিজেন্স ব্যুরোগী মকোকশিংসু শরুক য়ারি। মীফম অসিদা লৈবাক মনুংগী ওইবা ঙাকশেল, কাউন্তর টেরোরিজম, লেফ্‌ট ৱিং এক্সত্রিমিজম, অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং, কোষ্টেল সেক্যুরিতি, সাইবর ক্রাইম, মাওইষ্টকী ৱাথোক অমদি আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অমসুং দ্রেনগুম্বা অনৌবা টেকোলোজিশিংনা শিংনরক্লিবাশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

মীফম মনুংদা মথৌ নিংথিনা তৌবা পুলিস ওফিসারশিংদা প্রসিদেন্ট পুলিস মেদল খুৎশিন্নগনি।

মীফম অসিগী হয়েং নিনি চনবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

গেমস (এল)ঃ  গুজরাতকী রাজকোটতা চথরিবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমসকী  স্বিমিং মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা ফোর ইনটু হন্দ্রেদ মিতর ফ্রি ষ্টাইল রিলেদা মণিপুরনা সনাগী তকমান ফংখ্রে। সনাগী তকমান ফংলবা শান্নরোইশিং অদুদি- লৈশাংথেম বিশ্বজিৎ, লাইতোনজম লনচেনবা, দেবিট শাপম অমসুং কোইজম অথোইবনি।

গেমস অসিদা মণিপুরনা সনাগী তকমান ২৪, লুপাগী ১৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৬ ফংদুনা অহুমসুবা মফমদা লৈরি। মহরাষ্ট্রসনা সনাগী তকমান ৫৬ য়াওনা পুন্না তকমান ১৭২ অমসুং হরিয়ানানা সনাগী তকমান ৫০ য়াওনা পুন্না তকমান ১০৯ ফংদুনা অহানবা অমসুং অনিসুবা মফমদা লৈরি।

হোক্কি (এল)ঃ   তেলঙ্গনাগী সিকন্দ্রবাগতা চথরিবা ১৪ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সবজ্নিয়র ৱিমেন্স নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা হয়েং মণিপুরগা হরিয়ানাগা নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিত ১৫ দা শান্নরগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী গ্রুপ-এদা মণিপুর, হরিয়ানা, দদ্রা এন্দ নাগর হভেল্লি অমদি দমন এন্দ দিউ য়াওরি।

বেদমিন্টন (এল)ঃ মনিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোই-মৈরাবা লুৱাং, সয়িদ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ক্বাটর ফাইনেল লৈহৌরে। লক্ষনৌদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মৈরাববু লক্স্যা সেননা পোইন্ট ২১-৮, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিমেন্স দবলস ইভেন্টতা প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং মহাক্কী জ়রা-সুরতি মিশ্রা বু অস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং তানিসা ক্রাষ্টোগী জ়রানা ২১-১২, ১৭-২১, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরমখি।

ক্বান কি দো (এল)ঃ  ৬ শুবা নেসনেল সব-জ়নিয়র, জ়নিয়র, সেনিয়র বোইজ অমদি গার্লস, মেন এন্দ ৱিমেন্স ক্বান কি দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং মিং লাউথোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা মথং চহিগী জনুৱারি ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। মণিপুরদগী পুন্না শান্নরোই ৬০ অমসুং ওফিসিয়েল ১৫ না চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগনি হায়না ক্বান কি দো এসোসিয়েসন মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

------